# সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্টদা চহী ১৪ অমসুং ১৭ গী মখাগী শান্নখিবদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এস এন এস) ঃ দির্পটমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৭ দগী হৌরগা থা অসিগী ১৩ ফাওবা চহী ১৪ মখাগী স্কুল ১৬না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা অমসুং চহী ১৭ মখাগী স্কুল ১৬না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়ম অমদি প্রেক্টিষ্ট ফুটবোল ফিল্ডদা চথরিবা ৬০ শুবা ষ্টেট লেভেল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অন্দর ১৪ অমদি অন্দর ১৭ বাইজকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট চহী কাঙলূপ অনীমক্কী মায় পাকখ্রে।

চহী ১৪ মখাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ককচিং, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

চহী কাঙলূপ অসিগী ১৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা তেংনৌপলগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী মিনট ১২ চৎপদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী জর্সি নম্বর ১৩ এম ধনচন্দ্রনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হেক হৌরকপগী মিনট ৩০ চৎপদা এম ধনচন্দ্রনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল শোত্থরিবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

১৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা বিষ্ণুপুর অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা বিষ্ণুপপুরনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি টিম অনীনা লম্বা চান্না শানদুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্নরবসু ঙম্নাদবদগী হাল্ফ অসি লোয়বা ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টগী মায় পাক্লবগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ জয়সননা মিনট ২৭, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জর্সি নম্বর ৯ রিতুনুন ৱেল্ডামনা মিনট ৩৭ চৎপদা আউল গোল অমা অদুগা অতোপ্পা গোল অমদুনা জর্সি নম্বর ১১ অবুংতোননা মেটচকী মিনট ৫০ চৎপদা চন্দুনা পূন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিনা গোল ৩ চনল্লগা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জর্সি নম্বর ১ টি এস এলেক্স মোন্সাংদা মিনট ১৩ অমদি ৫০ চৎপদা দবল কোসন বুক তৌখি। অদুগা বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ২ অবিনাস অমদি জর্সি নম্বর ১১ অবুংথোইদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

২০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টপু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৩ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ১ চনখি। অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ৱাই মোনিসনা মিনট ৬, জর্সি নম্বর ১০ নেলসন শাপমনা মিনট ২৪ অমদি জর্সি নম্বর ৮ ৱাই ইন্দ্রজিৎনা মিনট ২৫ চৎপদা চনখি। অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৫ টি ঐচ অরুনকুমারনা মেটচকী মিনট ৩৭ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা সেনাপটিগী জর্সি নম্বর ৪ মানচুরি, জর্সি নম্বর ২ রাওবৈ অমদি জর্সি নম্বর ৫ প্রিট কোঞ্জেবমদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

২১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী ৪ শুবা গ্রাউন্দা জিরিবাম অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা জিরিবামনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৩ অনৱারনা মিনট ২৯ অমদি জর্সি নম্বর ৮ সাজুনা মিনট ৩৭ দা চনখি।

প্রেক্টিষ্ট ফুটবোল ফিল্ডদা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী মেটচশিংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

চহী কাঙলূপ অসিগী ১৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা থৌবাল অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা থৌবালনা জিরিবামবু য়াম লাকচন্না গোল ৯–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ অম্মজিৎনা মিনট ১৫, ১৬, ২৭ দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ১৪ জয়সনানা মিনট ১৩, ২৭ দাং গোল ২, জর্সি নম্বর ৬ জি ননাও কবুইনা মিনট ২২, ৩৬ দা গোল ২ অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ১৫ সিতলনা মিনট ৮ অমদি জর্সি নম্বর ১১ জেক্সনা মিনট ২০ দা চনখি।

১৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ ও মলেমনা মিনট ৬ অমদি ১৪ চৎপদা চনখি।

১৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহুমশুবা গ্রাউন্দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অমদি কামজোং দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টপু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৬ সেটবরঙমনা মিনট ২০দা গোল ১ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ ৱারলোঙমনা মিনট ২৫, জর্সি নম্বর ১৪ চনানা মিনট ৩০ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ বুংহিংনা মিনট ৩৭ চৎপদা চনখি।

২০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী ৪ শুবা গ্রাউন্দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেযচতা তেংনৌপলনা ইম্ফাল ৱেষ্টপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ পাওজমাংনা মিনট ১৪ অদুগা জর্সি নম্বর ৯ লুনমিনলেননা মিনট ৪৭ অমদি ৫৭ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ টি নুংওনবানা মিনট ৩৫ চৎপদা চনখি।

২১ শুবা মেটচ ওইনা ককচিং অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টনা শান্নখিবা মেটচতা ককচিংনা নোনেবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ সচিনমেনা মিনট ১, ১০, জর্সি নম্বর ২২ বোরিসনা মিনট ৮, ১৫ অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৩ রেগাননা মিনট ৫ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ অবাসনা মিনট ৭ তা চনখি।





# ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান স্পোর্টস এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এস এন এস) ঃ লাইফ লাইন ইনভেসমেন্টনা স্পোন্সর তৌরগা টি বি এস এফ এ ভেটরান ফুটবোল টিমনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী টিম ১১ না গ্রুপ অনীথোক্লা খায়দোক্তুনা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি তবুংখোক গ্রাউন্দা অহুমশুবা টি বি এস এফ এ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা আই ই ভি এস এ ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা টি আর ভি এস এ মালোম অমদি পুপু পূঙদোংবম দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা আই ই ভি এস এ ইম্ফাল ইষ্ট অমদি টি বি এস এফ এ (এ) তবুংখোকনা শান্নখিবা গ্রুপ– এ গী মেটচতা আই ই ভি এস এ ইম্ফাল ইষ্টনা টি বি এস এ (এ) তবুংখোকপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী আই ই ভি এস এ ইম্ফাল ইষ্টনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্দুনা মেটচকী অঙনবা মিনট ৬ অমদি ১১ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৭ পুরণাবহাদুর মেটচ অসিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু চনখি।

মেটচ অসি ঐচ মহেস, কে ইবোতোম্বী, এন জি কেশো অমদি টি হেমন্তনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ১, এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা টি অআর ভি এস এ মালোম অমদি পুপু পূঙদোংবমনা শান্নখিবা গ্রুপ– এগী মেটচতা টিম অনীমক গোল ২–২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টি আর ভি এস এ মালোমগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ জাপুইদোয়না মিনট ২৩ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২০ রোমেননা মিনট ৩১ চৎপদা চনখি। পুপু পূঙদোংবমগী গোলশিং অদুনা অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩০ অমসুং ৩৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ সঞ্জোয়না চনখি।

মেটচ অসিদা পুপু পূঙদোংবমগী জর্সি নম্বর ১৫ ধনঞ্জোয়দা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি হেমন্তা, এন জি কেশো , কে ইবোতোম্বী অমদি ঐচ মহেসনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ১, এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচ ওইনা য়ু ভি এস এ (এ) চাজিং অমদি ফ্লাম য়াইস্কুলনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইনা য়ু ভি এস এ (বি) চাজিং অমদি চোলহা এফ সিনা নুংথিল পুং ২.৪০ তাবদা শান্নগনি।

# গভর্ণসর টাইক্বান্দো কপ ২০১৯গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন য়ুনিয়ন টাইক্বান্দো একাদেমি (য়ু টি এ) য়ুম্নাম লৈকাইনা ওইখ্রে

Medal Tally

| UNIT | G | S | B |
|---|---|---|---|
| UTA | 17 | 22 | 27 |
| NSA | 17 | 14 | 16 |
| SAI RC | 14 | 7 | 18 |
| PTA | 10 | 6 | 19 |
| HTA | 8 | 2 | 1 |
| LAMSANG | 4 | 6 | 3 |
| CTI-S | 3 | 2 | 8 |
| NAMBOL | 2 | 4 | 5 |
| KANGLA | 2 | 0 | 0 |
| LILONG | 1 | 1 | 2 |
| IBSA | 1 | 1 | 2 |
| SORA | 1 | 1 | 1 |



ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এস এন এস) ঃ ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী য়ুনিট ১৬ দগী নুপা শান্নরোই ৩৩১ অমদি নুপী শান্নরোই ১৪২ পূন্না শান্নরোই ৪৭৩ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ১৫ শুবা গর্ভনস টাইক্বান্দো কপ ২০১৯দা য়ুনিয়ন টাইক্বান্দো একাদেমি ( য়ু টি এ ) য়ুম্নাম লৈকাইনা গোল্ড মেদল ১৭, সিলভর মেদল ২২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ২৭ দা পূন্না মেদল ৬৬ দা পোইন্ট ৪১৭ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখি। নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি ( এন এস এ)না গোল্ড মেদল ১৭, সিলভর মেদল ১৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১৬ দাপূন্না মেদল ৪৭ দা পোইন্ট ৩২৮ ফংদুনা অহানবা রন্নস অপ তাখি অদুগা সাই আর সিনা গোল্ড মেদল ১৪, সিলভর মেদল ৭ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১৮ দা পূন্না মেদল ৩৯ দা পোইন্ট ২৭৭ ফংদুনা অনীশুবা রন্নস অপ তাখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি অরোয়বা নুমিৎত্তা শান্নখিবা জুনিয়র গার্লস কেজি ৫২ মখাগীদা সি টি আই– এসকী এন ইলিজাবেটনা গোল্ড মেদল, নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি ( এন এস এ)গী কানচান্দ কৈশামনা সিলভর মেদল, লমশাংগী এন চন্দ্রাকলা অমদি য়ু টি এগী সৌবাম কবিতানা ব্রোঞ্জ মদেল ফংখি।

সেনিয়র মেন কেজি ৬৮ মখাগীদা য়ু টি এগী সি ঐচ য়াইখোম্বা মৈতৈনা গোল্ড মেদল, সাই আর সিগী এম লময়ানবানা সিলভর মেদল অমদি লিলোংগী এম এম অব্দুল ৱালিলনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সেমিনয়র মেন কেজি ৮৭ মখাগীদা য়ু টি এগী ৱাই য়াইখোম্বা মৈতৈনা গোল্ড মেদল, সি টি আই– এসকী এন শানুকুমারনা সিলভর মেদল অমদি সাই আর সিগী টি তোনদোনবনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সেনিয়র ৱুমেন কেজি ৫৭ মকাগীদা সাই আর সিগী ই সনাথোইনা গোল্ড মেদল অমদি য়ু টি এগী এস জিন্না সিলভর মেদল ফংখি। কেজি ৭৩ মখাগীদা য়ু টি এগী এম তোলিকানা গোল্ড মেদল, সি টি আই –এসকী এন দায়ননা সিলভর মেদল অমদি পি টি এগী কে ঐচ রবিতানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

কেদেট গার্লস কেজি ৫১ মখাগীদা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি ( এন এস এ)গী দয়াশ্রীনা গোল্ড মেদল, লমশাংগী এস চার্লি দেবীনা সিলভর মেদল, য়ু টি এগী আর কে রিশিকান্ত অমদি সাই আর সিগী এন ঙানবীথোই চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেজি ৫৯ মখাগীদা এন এস এগী ঐচ মহেশ্বরিনা গোল্ড মেদল ফংখি।

সব– জুনিয়র বোইজ কেজি ২৭ মখাগীদা পি টি এগী শলাম তোনদোনবনা গোল্ড মেদল, য়ু টি এগী গুগু শাপমনা সিলভর মেদল, পি টি এগী খারিবম থৌনা অমদি সি টি আই –এসকী ফামদোম সেলভাসনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সব– জুনিয়র বোইজ কেজি ৩২ মখাগীদা ঐচ টি এগী এল সঞ্জিৎনা গোল্ড মেদল, নম্বোলগী সি ঐচ রজিপনা সিলভর মেদল, নম্বোলগী এম মলেমঙানবা অমদি কৈশামপাৎকী কে য়োহেনবানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

সব– জুনির গার্লস কেজি ২৪ মখাগীদা কঙলাগী রাজকুমারি হেম্বোইনা গোল্ড মেদল, এন এস এগী টি ভৈর্গশ্রীরিনা সিলাভর মেদল,য়ুনিয়ন টাইক্বান্দো একাদেমি ( য়ু টি এ )গী য়িলিনা খুমুকচম অমদি পি টি এগী টি ঐচ ৱাংগোল লৈমানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি ।

কেদেট বোইজ কেজি ৫৭ মখাগীদা পি টি এগী এন রোলিনা গোল্ড মদেল, লমশাংগী ঐচ দেবজিৎনা সিলভর মেদল, সাই আর সিগী টি ঐচ প্রিতমজিৎ অমদি নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি ( এন এস এ)গী অনিস সাইখোমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা গভর্ণসর টাইক্বন্দো কপ মণিপুরগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখিবা য়ুনিয়ন টাইক্বান্দে একাদেমিদা লুপা লিশিং ২০,০০০, অহানবা রন্নস অপ তাখিবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিদা লুপা লিশিং ১০,০০০ অমদি অনীশুবা রন্নস অপ তাখিবা সাই আর সিদা লুপা লিশিং ৫০০০ খুৎশিন্নখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিপ এসেমব্লীগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দ, ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট বোবি ৱায়খোম আই এ এস অমদি ও এস দি ট্রান্সপোর্ট কম জোইন্ট ডাইরেক্টর পি ঐচ বিজিন কুমার শর্ম্মনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবাশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# লেটপাও হাওকিপনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এস এন এস) ঃ সমোৱাগী এপীয়দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলঠ ৱেটলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারুবা ষ্টেট অসিগী ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু, সোরোখায়বম বিন্দিয়ারনি অমদি সি ঐচ রিশিকান্ত সিংহনা গোল্ড মেদল লৌরকপদা য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রর লেটপাও হাওকিপনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

সাইখোম মিরাবাইনা সেনিঅর ৱুমেনগী কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা ১৯১ কেজি থাংগৎত্তুনা গোল্ড মেদল লৌদুনা ৱার্ল্ড রেকোত থমখি। সোরোখায়বম বিন্দিয়ারানিনা কেজি ৫৫ কী কাঙলূপ্তা অমদি সি ঐচ রিশিকান্তনা সেনিয়র মেনগী কেজি ৫৫ কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং অদু লৌরকখিবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারুবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিংসু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা তুংগী পূন্সিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি।

# ষ্টেট ৱেটলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এস এন এস) ঃ মণিপুর ৱেটলিফটিং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিগী আগষ্ট ১০ দগী ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক্তা লৈবা সাই এস এ জি হোলদা ২২ শুবা সব–জুনিয়র, ২৩ শুবা জুনিয়র অমসুং ২৪ শুবা সেনিয়র ষ্টেট লেভেল ৱেটলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা ৱেটলিফটরশিংনা ৱেট ওনবা মতমদা ইন্দিয়ান ৱেটলিফটিং ফেদরেসননা পীবা আইদেন্টিটি কাদ পুরক্কদবনি লোয়ননা রেফরিশিংসু ফেদরেসন অসিনা পীবা আই কাদশিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মাঙওইন্না রিন্যু তৌগদবনি হায়রি

চেম্পিয়ন্সিপ অসি নেসনেল এন্টি দোপিং এঞ্জেন্সিগী মীহুৎশিং লাক্তুনা য়ুরিয়ন শেম্পলশিং কলেক্সন তৌগনি হায়না এসোসিসেন অসিনা খঙহনলক্লি।

# মনিমোহন সেক্রেটরীগী ফম পূরগনি

ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এস এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এজুকেটিপ কাউন্সিলনা থা অসিগী ৬ তা ফমখিবা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না ডা. মোইরাংথেম মনিমোহনবু অর্টিকল নম্বর ২২ গী মতুংইন্না জেনরেল সেক্রেটরীগী চাজ অমুক পুরগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্টদিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা থ্াদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তান্না ডা. এন মনিমোহননা সেক্রেটরী অমা ওইনা এসোসিয়েসন অসিগী ওইবা থবকশিং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# কাপম কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ফাইনেলদা টিলাইন অমদি চীঙ্খু এফ সিগা শান্নরগনি



ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এস এন এস) ঃ কাপম দিভলমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২০ দগী কাপম দিভলমেন্ট গ্রাউন্দ কাপম ভিলেজতা চত্থরিবা ৩শুবা কাপম কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা টিলাইন য়ুনাইটেদ অমদি চীঙ্খু য়ুঠ ক্লবনা থা অসি ১২গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা শান্নগনি।

টুনার্মেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা টিলাইন য়ুনাইটেদ অমদি চুম্বাং এফ সি শান্নখিবা মেটচতা টিলাইন য়ুনাইটেদনা চুম্বাং এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। মায় পাক্লবা টলাইন য়ুনাইটেদকী গোলশিং অদু জর্সিল নম্বর ১৭ থানতিনলেননা মেটচকী মিনট ৩৭ অমদি ৪৯ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা চুম্বাং এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ ৱিংক্লিননা মিনট ৭৬ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা চুম্বাং এফ সিগী জর্সি নম্বর ২ রিবান্তা, জর্সি নম্বর ১০ সুঙরিম অমদি টিলাইন য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ৫ চুঙনৈহেনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি জয়সিংহ, মিম্থাংবির,থানসুর অমদি ইবুংঙোনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ১, এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা চীঙ্খু এফ সি অমদি ককচিং এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা চীঙ্খু এফ সিনা ককচিং এফ সিবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৬–৫ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। মেটচ অসিদা ককচিং এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৫ য়াইফবদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি ইবুংঙৌ, থারচুং, মিম্থাংবির অমদি জয়সিংহনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ১, এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# টাজিকিস্টাননা সিরিয়াবু ২–০ দা থোইদুনা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপকী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ১০ (এঞ্জেন্সি)ঃ

অহমেদবাদ, জুলাই ১০ (এঞ্জেন্সি)ঃ ইন্দিয়ানা য়ুম্খু ওইদুনা গুজরাটকী সিটি অহমেদবাদতা চত্থরিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপকী অনীশুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা টাজিকিস্টাননা সিরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



টাজিকিস্টান অমসুং সিরিয়ানা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু শান্নবা হেক হৌরকপদগী টিম অনীমক এটেক চত্থবা মান্দুনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা সিরিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল চনশিনবগী খুদোংচবা খরা ফংখ্রবসু টাজিকিস্টানগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টাজিকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থরকখি। মেটচকী ৪৬ শুবা মিনটতা টাজিকিস্টানগী শান্নরোই টুরসুনোভনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল তাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা টাজিকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি।

মেটচকী ৬৭ শুবা মিনটতা টাজিকিস্টানগী অতোপ্পা শান্নরোই বারোতোভনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখিবদু মেটচকী অপীবা মতম লোয়শিনবা ফাওবা লৈখিবদগী টাজিকিস্টানা সিরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা টেবলগী মকোক ওইদুনা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com